# ঐহাক্ এদিক্ অমরা ?

*সুপ্নতংগী নহাক্তনা ব্রাহংশিগী পাওখুম পীবা ঙমগনি।*

মশিগী পাওখুম্ পীবা অরায়বা অমদি ওইদবা য়াই। ঐখোয়না শিজিন্নরিঙৈ মনুংদা ঐখোয়না ইশানা ইশাদা হায়খি, "ঐহাক্না পান্নবা ঙমগনি।" মশি হৌগৎলক্পদা অচুম্বা ওইরমলগসু, হৌজিক্তি মদু নংত্রে। দ্রগশিং অদুনা ঐখোয়বু পান্নখ্রে। ঐখোয়না শিজিন্নবগীদমক্তা হিংখি অমসুং হিংননবগীদমক্তা শিজিন্নখি। য়াম্না চম্না হায়রবদা, এদিক্ অমা হায়রিবশি মহাক্কি পুন্সি অদু দ্রগ্না খুদুম্ চনশিনখ্রবা মীশক্ অমনি।

দ্রগ্না নহাক্কি শমস্যা অমা ওইরে হায়বশি নহাক্না য়াজরম্বদি য়াই, অদুবু নহাক্না নশাবু এদিক্ অমনি হায়বদি খনজদে। এদিক্ অমা হায়বশি করিনো হায়বগী মতাংদা ঐখোয় খুদিংমক্কি হান্ননা খনজবা ৱাখল খরা লৈজে। নহাক্না অমুক্তংবু অফবা মওংগী থবক্ পায়খৎপা হৌখ্রবা এদিক্ অমা ওইরুবগী মতাংদা ইকাইনিঙাই করিসু লৈতে। ঐখোয়গী শমস্যাশিং অশিবু নহাক্না মশক্ খংবা ঙম্রবা, ঐখোয়গী পাওখুম অশিবুসু নহাক্না মশক্ খংবা ঙম্রবা য়াই। মখাগী ৱাহংশিং অশি নার্কোতিক্স এনোনিমশকি ফগৎলক্নীবা এদিক্শিংনা ইবিখিবনি। নহাক্ এদিক্ অমা ওইব্রা নত্রগা ওইদব্রা হায়বশিগী মতাংদা নহাক্না চিংনবা লৈরবা, মখাগী ৱাহংশিং অশি পানাবা মিকুপ্ খরদংগী মতম্ অমা লৌবিয়ু অমসুং নহাক্না ঙম্রিবমখৈ পুক্চেল শেংনা মখোয়গী পাওখুম্ পিবিয়ু।

১/ করিগুম্বদা নহাক্ নতোমতা শিজিন্নখিবা লৈব্রা ?

লৈ ☐ লৈতে ☐

২/ করিগুম্বদা নহাক্না শমস্যা অশি অকক্নবা দ্রগ্ মখল অমখক্কিনি হায়না খন্দুনা, দ্রগ্ অমগী মহুৎ অতোপ্পা অমনা শিনখিবা লৈব্রা ?

লৈ ☐ লৈতে ☐

৩/ করিগুম্বদা নহাক্না দ্রগকী মতাংদা অইবা ফংননবগীদমক্তা দাক্তরদা থোক্ তৌখিবা নৎত্রগা মিনমখিবা লৈব্রা ?

লৈ ☐ লৈতে ☐

৪/ করিগুম্বদা নহাক্না দ্রগ্ হুরানখিবা নৎত্রগা দ্রগ্ ফংননবগীদমক্তা হুরানখিবা লৈব্রা ?

লৈ ☐ লৈতে ☐

৫/ নহাক্না তুমলমদাইদা নৎত্রগা য়াহৌরক্পদা চাং নাইনা দ্রগ্ অমা শিজিন্নবা লৈব্রা?

লৈ ☐ লৈতে ☐

৬/ নহাক্না করিগুম্বদা অতোপ্পা অমগী নিশা লাক্শিন্ননবা অতোপ্পা দ্রগ্ অমা শিজিন্নখিবা লৈব্রা ?

লৈ ☐ লৈতে ☐

৭/ নহাক্কি দ্রগ্ শিজিন্নবদুবু য়ানিংদবা মী নৎত্রগা মফমশিংবু নহাক্না থৈদোক্পা লৈব্রা ?

লৈ ☐ লৈতে ☐

৮/ নহাক্ করিগুম্বদা দ্রগ্ অদু করিনো নৎত্রগা মদুনা নঙোন্দা করি তৌরক্পা য়াবগে হায়বদু খঙদনা দ্রগ্ অমা শিজিন্নখিবা লৈব্রা ?

লৈ ☐ লৈতে ☐

৯/ নহাক্কি দ্রগ্ শিজিন্নবদুগী মহৈ ওইনা করিগুম্বদা নহাক্কি থবক নৎত্রগা স্কুলগী থৌ পাংথোক্পদা কায়নখিবা লৈব্রা?

লৈ ☐ লৈতে ☐

১০/ নহাক্ করিগুম্বদা দ্রগ্ শিজিন্নবগী ফল অমা ওইনা ফাখিবা লৈব্রা ?

লৈ ☐ লৈতে ☐

১১/ নহাক্ করিগুম্বদা নহাক্না করি করম্না নৎত্রগা কয়া য়াম্না শিজিন্নবগে হায়বগী মতাংদা মীনমখিবা লৈব্রা ?

লৈ ☐ লৈতে ☐

১২/ নহাক্কি শেল থুমগী দায়িত্ব অদুগী মমাংদা দ্রগ্ লৈবনা হান্না মমাং থানা থম্বা লৈব্রা ?

লৈ ☐ লৈতে ☐

১৩/ নহাক করিগুম্বদা নহাক্কী শিজিন্নবা অদু পান্ননবা নৎত্রগা খুদুম চন্ননবা হোৎনখিবা লৈব্রা ?

লৈ ☐ লৈতে ☐

১৪/ নহাক্ করিগুম্বদা নহাক্কী দ্রগ্ শিজিন্নবা অদুগী মরমগীদমক্ কৈসুমশংদা, লাইয়েংশংদা, নত্রগা দ্রগ্কী খুন্দা লৈতাশংদা লৈখিবা লৈব্রা ?

লৈ ☐ লৈতে ☐

১৫/ নহাক্কী তুম্বা নৎত্রগা চাবদা শিজিন্নবা অদুনা অয়েৎপা পিবা লৈব্রা ?

লৈ ☐ লৈতে ☐

১৬/ দ্রগ্ লোইথোকখ্রগনি হায়বগী ৱাখল অদুনা নহাক্পু অকিবা ফাওহনবা লৈব্রা?

লৈ ☐ লৈতে ☐

১৭/ নহাক্কিদমক্তদি দ্রগ্ য়াওদনা হিংবা হায়বশি ওইথোক্তবনি হায়না নঙোন্দা ফাওজবা লৈব্রা ?

লৈ ☐ লৈতে ☐

১৮/ নহাক্ করিগুম্বদা নহাক্ নশাগী ৱাখল তাব্রিব্রা তাদ্রবরা হায়না হংখিবা লৈব্রা?

লৈ ☐ লৈতে ☐

১৯/ নহাক্কী দ্রগ্ শিজিন্নবদুনা য়ুমগী পুন্সিদা নুঙাইহন্দবা লৈব্রা ?

লৈ ☐ লৈতে ☐

২০/ নহাক্ করিগুম্বদা দ্রগ্ য়াওদ্রবদি নশাবু চন্নফম্ নৎত্রগা নুঙাইফম্ লৈতে হায়না খন্খিবা লৈব্রা ?

লৈ ☐ লৈতে ☐

২১/ নহাক্ করিগুম্বদা নহাক্কী শিজিন্নরিবা অদুগী মতাংদা নশা ঙাক্থোক্চবা, নরাল লৈজবা, নৎত্রগা ইকায়জবা ফাওখিবা লৈব্রা ?

লৈ ☐ লৈতে ☐

২২/ নহাক্ দ্রগ্শিংগী মতাংদা য়াম্না খন্বা লৈব্রা ?

লৈ ☐ লৈতে ☐

২৩/ নহাক্ মরম চাদবা নৎত্রগা হায়ফম্ খংদবা অকিবা পোক্খিবা লৈব্রা ?

লৈ ☐ লৈতে ☐

২৪/ শিজিন্নবদুনা নহাক্কী হক্তিন্নবগী মরিদা শোক্হনখিবা লৈব্রা ?

লৈ ☐ লৈতে ☐

২৫/ নহাক্ করিগুম্বদা নহাক্না পামজদবা দ্রগশিং চাখিবা লৈব্রা ?

লৈ ☐ লৈতে ☐

২৬/ নহাক্ করিগুম্বদা পুক্লিংগী চৈনা নৎত্রগা শাফু অদুনা মরম্ ওইদুনা দ্রগ্শিং শিজিন্নখিবা লৈব্রা ?

লৈ ☐ লৈতে ☐

২৭/ নহাক্ করিগুম্বদা দ্রগ্ অমদা হেন্না চাং হেনজিনখিবা লৈব্রা ?

লৈ ☐ লৈতে ☐

২৮/ ফত্তবা ফল কয়া ওইদুনসু নহাক্ লেপতনা অদুমক্ শিজিন্নদুনা লৈব্রা ?

লৈ ☐ লৈতে ☐

২৯/ নহাক্ দ্রগ্কি শমস্যা অমা নঙোন্দা লৈরম্বা য়াই হায়না খনবা লৈব্রা?

লৈ ☐ লৈতে ☐

"ঐহাক্ এদিক্ অমরা ?" মশি সুপ্নতংগী নহাক্ নশাতনা খুম্বা ঙম্বা ৱাহং অমনি। ৱাহংশিং অশিগী তোখাই তোখাইবা মপাদা "লৈ" হায়না পাওখুম্ পিখিবা ঐখোয়না উরে। "লৈ" হায়না খুমখিবগী থাঙ্গৎশেংবা মশিং অদুনা ঐখোয়গী নুংদা করম্না ফাওখিবগে অমসুং ঐখোয়গী পুন্সিবু এদিক্শন্না করম্না শোক্হনখিবগে হায়বদুমুক্ য়ৌনা মরুওইবা নত্তে।

ৱাহংশিংশিগী খরদদি দ্রগ্ হায়বশি পন্বাফাওবা পন্দে। মশিগী মরমদি এদিক্শন হায়বশি ঐখোয়গী পুন্সি গী মফম্ খুদিংমক্তা শোক্হনবা মনুংগী ওইবা লাইনা অমনি - অহানবদদি দ্রগ্কা করিসু তৌনগদবা থোইদোক্পা মরম্ লৈতে হায়না খনবা মফমশিংদুফাওবা য়াওনা। ঐখোয়না করিগীদমক্তা মখোয়বু শিজিন্নখিবনো অমসুং মখোয়না ঐখোয়দা করি করি তৌখিবগে হায়বদুমুক্ য়ৌনা ঐখোয়না শিজিন্নখিবা তোঙান্ তোঙান্বা দ্রগশিং অদুনা মরুওইবা নত্তে।

ঐখোয়না ৱাহংশিং অশি অহান্বা ওইনা পারুবদা, ঐখোয় এদিক্ অমা হায়বদু ওইরম্বা য়াই হায়না খল্লুবা হায়বশি ঐখোয়গীদমক্তদি কিনিঙাই ওইখি। কনাগুম্বা ঐখোয় খরদি হায়রিবা ৱাখল কয়া অশিবু হুন্দোক্খিনবা হোৎনখি - অসুম্না হায়রদুনা:

"হেরা, ৱাহংশিং অদো অর্থ য়াওদে"

নৎত্রগা,

"ঐদি তোঙাল্লি। ঐ দ্রগ্ চায় হায়বা ঐ খঙই, অদুবু ঐহাক্ এদিক্ অমদি নত্তে।

ঐগী তশেংনা পুক্নিংগী/ইমুং-মনুংগী/থবক্কি ওইবা শমস্যাশিং লৈ।”

নৎত্রগা ,

“ঐহাক্ হৌজিক্ হৌজিক্মক্ মশিবু পুন্না তাশিন-খোমজিন্দুনা থম্বা হায়বশি অরুবা অমা ওইরি।”

নৎত্রগা,

“ঐগা চপ্ চানবা মীশক্ অদু থেংনরবা/চপ্ চানঁবা থবক্, অশিনচিংবা, ফংলবা মতমদুদা ঐহাক্ তোক্পা ঙমগনি।”

নহাক্না করিগুম্বা এদিক্ অমা ওইরগদি ফগৎলক্পগী মাইকৈদা খুমাংচাওশিন্দ্রিঙৈগী মমাংদা নঙোন্দা দ্রগকা লোয়নবা শমস্যা অমা লৈরে হায়বশি নহাক্ নশানা য়াজবা তাই। পুক্চেল শেংনা চংশিল্লবা মতমদা, মশিগী ব্রাহংশিং অশিনা, দ্রগ্ শিজিন্নবা হায়বদুনা মতৌ করম্না নহাক্কি পুন্সিবু মথোং খংহনখিদবগে হায়বদু নঙোন্দা উহন্বদা মতেং পাংলবা য়াই। ফগৎলক্পা হায়বশি য়াওদ্রগদি, কৈসুমশং, লাইয়েংশং অমসুং শিবা হায়রিবশিং অশিদা লোইশিনফম্ ওইবা লাইনা অমনি এদিকশন হায়রিবশি। দ্রগ্শিং অদুনা ঐখোয়গী দরকারগী মতুং ইন্না থবক্ তৌরক্পা লেপ্খিবদগী ঐখোয় অয়াম্বা নার্কোতিক্স এনোনিমশতা লাক্খিবনি। ঐখোয়গী চাওথোক্চবা, ইশাগী মমল, ইমুং-মনুং, নুংশিবিবশিং, অমসুং ঐখোয়গী হিংনিংবগী অপাম্বা অদুফাওবা য়াওনা এদিক্শন্না লৌবিখ্রে। করিগুম্বা নহাক্না নহাক্কি এদিকশন্দা তানফম্ অশি য়ৌদ্রিবা ওইরগদি, নহাক্ য়ৌরুনিঙাই ওইদ্রে। ঐখোয় ইশাগী লন্নাইগী নরক্ অদু ঐখোয়গী নুংদা লৈবনি হায়বশি ঐখোয়না খঙখ্রে। নহাক্না করিগুম্বা মতেং পাম্লগদি, নার্কোতিক্স এনোনিমশকী ফেলোশিপ্তগী ফংবা ঙমগনি।

“ঐখোয়না খুৎ তিংথোক্চখিবা মতম অদুদা ঐখোয়না পাওখুম্ অমগীদমক্তা থিজরক্খিবনি অমসুং নার্কোতিক্স এনোনিমশপু ফংজখি। মায়থিরবগা লোয়ননা ঐখোয়গী অহানবা এন: এ: মীতিং অদুদা ঐখোয় লাক্চখি অমসুং ঐখোয়না করিনো ফংগদৌরিবশে হায়বা খংখিদে। মীতিং অমা নৎত্রগা মীতিং কয়ামরুম্ য়াওরুরবগী তুংদা, মীওইশিং অদুনা মতেং পাংগে হায়বগী অনিংবা অমসুং চেক্শিনবিবা লৈ হায়বশি ঐখোয়দা ফাওজবা হৌরক্খি। ঐখোয়না মশি কৈদৌঙৈদসু ওইহন্বা য়াররোই হায়না ঐখোয়গী ব্রাখলনা ঐখোয়দা হায়রক্খ্রবসু, ঐখোয় ফরক্খিনি হায়না তত্তনা হায়বিদুনা ফেলোশিপতা য়াওরিবা মীওইশিং অদুনা ঐখোয়দা অশা পীবিখি। মপাঙ এদিকশিংনা কোয়শিল্লবা মরক্তুদা ঐখোয় অমুক্ মখাতানা নাইতোম্ তাদ্রে হায়বশি ঐখোয়না খঙজরক্খি। ঐখোয়গী মীতিংশিংদা থোক্লীবশিংদি ফগৎলক্পা হায়বা অশিনি। ঐখোয়গী পুন্সি লাইবক্খেলদা লৈরে। ফগৎলক্পা হায়বশিনা মাংজিল থানা থম্লবদা, প্রোগ্রাম্না থবক্ পাঙই হায়বশি ঐখোয়না খঙজরক্খি। ঐখোয়না খঙজরক্খিবা হৈনদ্রবা অহুম্ মাইয়োক্লখি :

১) ঐখোয়না এদিক্শনগী মথক্তা শক্তি লৈতে অমসুং ঐখোয়গী পুন্সি মথোং খংদ্রে ;

২) ঐখোয়গী লাইনা অশিগীদমক্তা ঐখোয়না দায়িত্ব ওইদবা তারবসু, ঐখোয়গী ফখৎলক্পগীদমক্তদি ঐখোয় দায়িত্বনি।

৩) ঐখোয়গী এদিক্শন অশিগীদমক্তা ঐখোয়না মী, মফমশিং অমসুং পোৎচৈশিংদা মখাতানা মরাল শিবা ঙম্লরোই। ঐখোয়গী শমস্যাশিং অমসুং ফাওরিবা ইহুলশিং ঐখোয়না মায়য়োক্নবা তাই।

ফগৎলক্পগীদমক্তা অরোইবা খুৎলাইদি ফগৎলক্লিবা এদিক্ অদুনি।”[১]

[১]নার্কোতিক্স এনোনিমশ, ৪বা খুৎনম, ১৯৮৯, লা : ১৫, ভেন নায়স, কেলিফোর্নিয়া, ব্রার্ল্ড সার্ভিস, ইনক্:

Copyright © 1997 by
Narcotics Anonymous World Services, Inc.
হক খুদিংমক অফোঙবগীনি।

World Service Office
PO Box 9999
Van Nuys, CA 91409 USA
Tel. (818) 773-9999
Fax (818) 700-0700
Website: www.na.org

World Service Office–EUROPE
48 Rue de l'Eté
B-1050 Brussels, Belgium
Tel. +32/2/646-6012
Fax +32/2/649-9239

World Service Office–CANADA
150 Britannia Rd. E. Unit 21
Mississauga, Ontario, L4Z 2A4, Canada
Tel. (905) 507-0100
Fax (905) 507-0101

মশি এন:এ: ফেলোশিপনা অয়াবা পীরবা সাহিত্যাদগী হনদোকচবনি।

Narcotics Anonymous, , , , and The NA Way
রেজিস্টার্ড তৌরবা খুদংশিংনি।
Narcotics Anonymous World Services, Incorporated.

ISBN 1-55776-314-3 Manipuri 8/02

WSO Catalog No. MP-3107

Narcotics Anonymous®

নার্কোতিক্স এনোনিমশ

IP No. 7-MP

# ঐহাক এদিক্ অমরা?

নৌনা শেমদোক্লবা